# অফঘানিষ্টান্দা সুইসাইদ এটেক চথুরকপদা মীওই ৩১ শিরে, অতোপ্পা ১৫ অশোক-অপন নংলে



কাবুল, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুলদা লৈবা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা চথুরকখিবা সুইসাইদ এটেক্তা মীওই ৩১ শিরে হায়না হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

পব্লিক হেল্‌থ মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাহিদ মাজরোনা হায়খি, সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশাদা লোয়নরকপা বোম পোকখায়হন্দুনা চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই ১৫ সু অশোক-অপন নংখি। অফঘান ওফিসলশিংনদি থৌদোক অদুদা মীওই ৫৪ অশোক অপন নংখি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) না চথুবনি হায়না ক্লেম তৌরকখ্রে। ওক্টোবর ২০ দা লেজিসলেটিব ইলেক্সন পাঙথোক্ক-দৌরবা লৈবাক অসিদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখ্রবসু ইখঙ খঙহৌদনা ঙসি ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুরকখিবনি।

সিটি পুলিসকী মকোক দাৰুদ অমিননা হায়খি, রেজিষ্ট্রেসন সেন্টরগী চঙফমদা সুইসাইদ বোম্বর অমনা মশা মথন্তা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চথুরকখিবনি। সিয়াইট ফুরুপকী মীওইশিংনা নম্না খুন্দাবা মফম অদুদা নেসনল আইদেন্টিফিকেসন সার্টিফিকেটকী রেজিষ্টার তৌনবা মীওই কয়া লাকখিবা মতমদা খঙহৌদনা মতিক ময়াই লৈরবা বোম অমা পোকখায়রকখি। খোয়শাউন-রবা মীয়াম্না অফঘান গভর্ণমেন্ট অমদি টালিবান মিলিটেন্টশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোল্লাউ কয়া লাউখি। টালিবান মিলিটেন্টশিংনদি থৌদোক অদুদা মখোয় য়াওদে হায়না শেংদোরকখি।

অশোক-অপন নংলবা মীওই অমনা টোলো টিভিদা হায়খি, লৈঙাক্ল ।মীচম মীয়াম ঙাক শেনবা ঙমদ্রবনিনা মীপুম খুদিংমক খুৎলায় পায়দুনা মশানা মশাবু ঙাকচনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈরে। মতম শাংনা য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা লেজিসলেটিব ইলেক্সনগীদমক এপ্রিল ১৪ দগী মীয়াম্না অফঘানিষ্টান্দা রেজিষ্ট্রেসন তৌবা হৌখিবনি।

টালিবান অমদি অতৈ মিলিটেন্ট গ্রুপশিংনা মরুওইবা মফম কয়া খুদুম চন্দুনা থল্লিবা অফঘানিষ্টান্দা অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা মীখল পাঙথোকপা হায়বসি অরায়বা থবক নত্তে হায়না অফঘানিষ্টানগী মতাংদা নৈনরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

মথৌ চিল্লবা অফঘান পুলিসনা পোল্লিং সেন্টরশিং ঙাক শেনবগী মথক্তা মিলিটেন্টশিংগা মায়োক্নবগী তঙাইফদবা লৈবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি।

হৌখিবা ইরাই নুমীৎতসু মিলিটেন্টশিংনা অৱাং নোংচুপথংবা বাদগিস প্রোভিন্সতা লৈবা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা রোকেট কাপশিন্দুনা এটেক চথুরকখিবনি।

টালিবান মিলিটেন্টশিংনা চথুরক-খিবনি হায়না থাজনখিবা এটেক অদুদা পুলিস ওফিসর অমা শিখি অমসুং অতোপ্পা অমা অশোক অপন নংখি। লৈবাকপোকপা নুমীৎতসু ময়াই থংবা অফঘানিষ্টানগী ঘোর প্রোভিন্সতা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন সেন্টর অমদা এটেক চথুরকখিবগা লোয়ননা ইলেক্সন ওফিসর অহুম অমসুং পুলিস পার্সনেল অনী ফারগা পুখি। টালিবান মিলিটেন্টশিংনা মীওইশিং অদু হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা তেক্ত-কায়দনা থাদোরকখি।

লাক্কদৌরিবা থা ২ গী মনুংদা ওথোরিটিশিংনা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং সেন্টর ৭,০০০ দা ভোটর মিলিয়ন ১৪ রোম রেজিষ্টার তৌনবা থৌরাং লৌখৎলি। পার্লিয়ামেন্টরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মীখলগা মরী লৈননা ভোটর রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থৌরাং লৌখৎলকপনি। মিলিটেন্টশিংনা মীখলগী থবক থৌরমশিং অকায়বা থোকহন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

# দাগেস্টান্দা চথুবা ওপরেসন্দা মীওই ৯ হাৎপা ঙম্লে : রসিয়া



মোস্কো, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
রসিয়াদা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলম্বনি হায়না চিংনবা মীওই ৯ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা দাগেস্টানদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

নেসনল এন্টি টেরর কম্মিটিনা হায়খি মদুদি, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা দাগেস্টানগী দর্বেন্টতা চথুখিবা এন্টি টেররিজম ওপরেসন্দা নাকল খুৎ থোক্নরকপদগী খুৎলায় পায়বা মীওই ৯ হাৎপা ঙমখিবনি।

মে ১ দা রসিয়াগী মরুওইবা মফম খরদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরিবা মীওই খরা সিটি অদুদা লোৎতুনা লৈরে হায়বা অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা পাক-শন্না থি-হুন্বগী থবক চথবদা নাকল অনী খুৎ থোক্নরকখিবনি। থৌদোক অদুদা লোনা য়াদবা মীওই ৯ শিরে অমসুং স্পেসল ফোর্সেসকী ওফিসর অমা অশোক অপন নংলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চেচনিয়াগী নোংপোক্তা লৈবা দাগেস্টানদা হন্দক মরক ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মিলিটেন্টশিংনা মখল মখা কয়াগী এটেক চথুরকপা লৈখ্রে। হৌখিবা দিসেম্বর ১৮ দসু ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকা শম্নবা মিলিটেন্ট মঙা রসিয়ান সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎপা ঙমখ্রবনি। কারাচে-চর্কেসিয়া রিজনদা রসিয়াগী এফ এস বি সিক্যুরিটি সার্ভিস অমসুং অতৈ লো ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সীশিংনা খুৎলায় মতিকচানা পায়রবা মিলিটেন্টশিংগা খুৎ থোক্নখিবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ওটো-মেটিক রাইফল, নোংমৈ মরু অমসুং পোকখায়হন্নবা মচাক কয়ামরুম ফংবা ঙমখি। লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) কা মরী লৈনবা মীওই ঙাক্তনি। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা রসিয়াগী মী চিনবা মফমদা মখল মখা কয়াগী এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলম্মী হায়রি।

রসিয়াগী সেন্ট পিটর্সবর্গতা লৈবা মমিং লৈরবা কাজান কেথিদ্রেলদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক চথনবা থৌরাং লৌখৎলম্বদা মোস্কোনা সী আই এগী মতেং লৌরগা মায় পাকহনখিদ্রবনি।

# মালেমদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই মশাগী চহী ১১৭ শুরকপদা লৈখিদ্রে



টোকিও, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
খাথংবা জপানদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীওই অমা মশাগী চহী ১১৭ শুরকপদা লৈখিদ্রে।

নাবি তাজিমা কৌবা মীওই অদু ঙরাং নুমীদাং পুং ৮ তাবদা হোস্পিটাল অমদা শিখিবনি হায়না কিকাই টাউনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

মীওই অদু জানুৱারি থাদগী হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরক-খিবনি। কুমজা ১৯০০ গী ওগষ্ট ৪ দা পোকখিবা তাজিমাগী মশু অমদি শুথাং কয়ামরুম লৈরে। থা ৭ কী মমাঙদা জমাইকাগী ভাইয়লেট ব্রাউন্দ লৈখিদ্রবা মতুংদা তাজিমানা মালেমদা খ্বাইদগী অহল ওইরবা মীশকনি হায়না লাউথোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা বেজ তৌবা জেরোন্টোলোজি রিছার্স গ্রুপনা হায়খি মদুদি, চিয়ো য়োসিদা কৌবা অতোপ্পা জপানিজ নুপী অমনা হৌজিক মালেমদা খ্বাইদগী চহী য়াম্বা মীশক ওইরে। হায়রিবা মীওই অদু মশাগী চহী ১১৬ শুরে।

কুমজা ২০১৫ গী চহী হৌবা নুমীৎতা মশাগী চহী ১০২ শুরবী জর্মন নুপী অমা ডোক্টরেট ফংখিবগা লোয়ননা চহী খ্বাইদগী লিনা ডোক্টরেট ফংবা মীশক ওইখিবনি।

নাজিশিংনা চহী ৭৭ থেংজিন্দুনা থল্লুরবা হেম্বর্গ য়ুনিভর্সিটিনা মশাগী চহী ১০২ শুরবী রেপোপোর্টতা ডোক্টরেট দিগ্রী পীখি। কুমজা ১৯৩৮ দা মশাগী চহী ২৫ শুরকপদা মহাক্না দিপথেরিয়াগী মরমদা রিছার্স তৌবা লোইখি। অদুবু নাজিশিংনা ডোক্টরেট পীহনখিদে।

# গাজা সিটিদা পেলেষ্টিনিয়ান মরি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



গাজা সিটি, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
ইজরেলি লান্মীশিংনা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপ্লকপদা চহী ১৫ গী নুপামচা অমা য়াওনা পেলেষ্টিনিয়ান মরি শিরে হায়না হেল্‌থ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগা লোন্নবা ঙমখৈদা পেলেষ্টিনিয়ান মীয়াম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবদা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপ্লকখিবনি। থৌদোক অদুদা মীওই ১৫০ হেন্না অশোক অপন নংখি। খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিংনা টয়ার মৈ থাবদগী অমন্বা মৈখু কারকখি। মীওই খরনা ঙমখৈদা খারিবা শম্বল তম্না নুঙ লংশিনখি। ঙাইহাক লৈরগা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপ্লকপদা মীওই মরি শিখিবনি।

মার্চ থা লোইরমদাইদগী হৌনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা শিখিবা পেলেষ্টিনিয়ান মশিং ৩২ শুরে। হৌখিবা চয়োল অহুমগী মনুংদা ইজরেলি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১,৬০০ হেন্না অশোক-অপন নংখি।

ইজরেলি আর্মিনা খুৎলায় পায়দবা মীচম হাৎখিবগী মতাংদা মপুং ফাবা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথগদবনি হায়না পেলেষ্টিনিয়ান মীয়াম্না তকশিনখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা পেলেষ্টিনিয়ান এম্বেসেদর ওইরিবা রিয়াদ মন্সোরনা হায়খি, মথং চয়োলদগী হৌনা গাজাদা থোকখিবা মীহাৎকী মতাংদা থিগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি। অথুবা মতমদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীলগী মীফম পাঙথোক্লগা হিরম অসিগী মতাংদা মতিক চাবা থবক লৌখৎহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হমাসনা খুদুম চল্লিবা গাজা থিংজিন্দুনা থমখিবগী মায়োক্তা মশিং য়াল্লবা পেলেষ্টিনিয়ান মীয়াম্না ইজরেলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকখিবনি। ইজরেলগী মনুং চনখ্রবা লমখৈগী শরুক্তা পেলেষ্টিনিয়ান রেফ্যুজিশিং চঙবা য়াহনবগা লোয়ননা খুদক্তা ইজরেলি লান্মী পুম্নমক হনে দাকখিগদবনি হায়না পেলেষ্টিনিয়ান মীয়াম্না তকশিনখি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইজরেলগী এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা দেনি দেন্সননা হায়খি মদুদি, হমাস মিলিটেন্টশিংনা ইনশিল্লগা পেলেষ্টিনিয়ান মীয়াম্না সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপনি।

পান্থৈ কয়া শীজিন্নদুনা ঙমখৈদা খারিবা শম্বল নমখায়নবা হোৎনরকপা মীওইশিংদা নোংমৈ কাপ্পদা পেলেষ্টি-নিয়ান মরি শিখিবনি হায়না ইজরেলি এম্বেসেদরনা ফোঙদোকখি। হমাসনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং কন্দেম তৌগদবনি হায়না ইজরেলগী এম্বেসেদরনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিসলশিংদা ফোঙদোকখি।

# রেবেলনা খুদুম চল্লিবা দমাস্কসতা নোংথক্তগী লান্দাখ্রে



বৈরুট, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
সিরিয়া গভর্ণমেন্টনা লালহৌবশিং তকথোকখিনবা থৌরাং লৌখৎল-কখিবগা লোয়ননা দমাস্কস মনাক্তা লৈবা রেবেলনা খুদুম চল্লিবা মফমদা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখ্রে।

ফাইটর জেট কয়া পাইশিল্লকপগা লোয়ননা অল-হাজর অল-অসৱদ দিষ্ট্রিক্টতা বোম কয়ামরুম থাদখি হায়না এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোকখি।

পেলেষ্টিনিয়ান রেফ্যুজি কেম্প অমগী মনাক নক্না লৈবা মফম অদু ইস্লামিক ষ্টেট অমদি নুস্রা ফ্রন্টকী জিহাদিষ্টশিংনা খুদুম চন্দুনা থল্লকখিবনি। সিরিয়ান প্রসিদেন্ট বাসর অল অসদনা ইরান অমদি রসিয়াগী মতেং লৌরগা মিলিটেন্ট পুম্নমক তকথোকখিনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। রেবেল ফাইটরশিং দমাস্কস মনাক্তা লৈবা মফম অমা থাদোক্তুনা চৎপা হৌখ্রবনি।

নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথুরকপগা লোয়ননা সিরিয়ান গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিং চঙশিল্লকপদগী দোমা টাউনদা লৈরম্বা রেবেল ফাইটর পুম্নমক মফম অদু থাদোক্তুনা চৎনখি। রেবেলশিং অদু টর্কিগা লোন্নবা ঙমখৈ মায়কৈ পাংখ্রে হায়রি।

অসদকী মায়োক্তা লৈবা রেবেল ফাইটরশিংনা লৈবাক্কী খা নোংচুপ অমসুং অৱাং নোংচুপ থংবা মফমদা মরুওইবা মফম কয়া খুদুম চন্দুনা থল্লকখিবনি। য়ু এসনা শৌগৎপা কার্দিস মিলিটেন্টশিংনসু অৱাং অমদি নোংপোক থংবা সিরিয়াগী মফম কয়ামরুম খুদুম চন্দুনা থল্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সনা সিজ ফায়র লাউথোকহনখ্রবসু দমাস্কসতা নোংথক্তগী এটেক চথুরকপদা মীওই তরা শিখিবা লৈখ্রে। বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটেরি ফোর হ্যুমেন রাইটস অমসুং সিরিয়ান সিবিল দিফেন্সনা হায়খি মদুদি, য়ু এননা খুৎ থান্নবা লেপহন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রবা মতুংদা নোংথক্তগী চথুরকখিবা এটেক্তা মীওই তরা শিখি।

চৈরকসিদা, দোমা ঙাক শেল্লিবা সিরিয়ান গভর্ণমেন্টকী লান্মীশিংনা কেমিকেল ৱেপন্স শাফমনি হায়বা ফেক্টরি অমা থেংনখ্রে। টেররিষ্টশিংনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা কেমিকেলশিং শীজিন্নরগা পাক শন্না মাঙহন তাকহনবা ঙম্বা খুৎলাই শেমগৎনবা থৌরাং লৌখৎলম্মী হায়রি।

দমাস্কসকী দোমা টাউনদা থি-হুন্বগী থবক চথবদা লৈনুংগী কা কয়ামরুম থেংনখি। হায়রিবা লৈনুংগী কাশিং অদুদা টেররিষ্টশিংনা কেমিকেল ৱেপন্স শেমগৎখিবগী খুদুম ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, ওর্গনাইজেসন ফোর দ প্রোহিবিসন ওফ কেমিকেল ৱেপন্স (ও পি সী দব্লিয়ু)না হায়খি মদুদি, এপ্রিল ৭ তা কেমিকেল এটেক চথখিবগা মরী লৈননা থিজিন-হুমজিনবগী শরুক অমা ওইনা চিংননিংঙাই ওইবা মফম খরদগী সেম্পলশিং খোমগৎতুনা চপ চাবা খুদম চাংদম পুথোক্নবা হোৎনরি।

# ইরাননা য়ু এসকী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ২২ (এজেন্সি):
য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার দিল হোংদোক্নবা থৌরাং লৌখৎল-কপগী মতাংদা টেহরাননা হায়খ্রে মদুদি, কনাগুম্বা লৈবাক অমত্তনা ৱাশিংতনগা ৱারী শানরোইদবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মহম্মদ জাবদ জারিফনা হায়খি মদুদি, ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রোন অমসুং জর্মন চাঞ্চেল্লর এঞ্জেল্লা মর্কেলনা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প পেলহন্নবা হোৎনবা পুম্নমক অরেম্বা তাদুনা তোক্কনি।

মে ১২ দা দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগী মথক্তা অমুক হন্না ইকনমিক সেঙ্কসন থম্বগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌগদৌরি। ৱারেপ অদুনা মরম ওইরগা কুমজা ২০১৫ দা ইরান অমদি মালেমগী মতিক ময়াই লৈরবা লৈবাক তরুক্না খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রিমেন্টতা চাউনা অকায়বা থোকহল্লগনি হায়না থাজনরি।

হিরম অসিগী মতাংদা মেক্রোন অমসুং মর্কেলনা ৱাশিংতন্দা চৎতুনা দোনাল্ড ত্রম্পকা ৱারী শানগদৌরি। ন্যু য়োর্কতা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীগী মীফম য়াওবা লাকখিবা জারিফনা হায়খি, ইকনমিক সেঙ্কসন থম্নবগী মতাংদা ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসনগা ৱারী শানবগী থৌওংনা ইরান অমদি মালেমগী মীয়ামদা অরানবা পাউজেল অমা পীবা ওইনা থোক্কনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইরিবী নিকি হেলিনা থা অসিগী হৌগৎলকপদা হায়খিবনি মদুদি, নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার দিল কুপ্ন ।য়েংশিনবগা লোয়ননা অশোয়বা কয়ামরুম পুথোক্নবা থৌরাং লৌখৎপগী খুদম উবা ফংলে।

ꯅꯤꯡꯁꯤꯡꯕ/ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি



L. Sudhakar

**লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবগী হিদাক হপ্তা মরি চারবা মতুংদা ঐগী ওইথংবা কিদনীদা লৈরম্বা **4.8 mm** গী নুঙ অদু তারক্লে। অলট্রাসাউন্দ লৌরুবদসু লৈবা উদ্রে। মসিগীদমক্তা ঐনা লাইশ্রম সুধাকরবু থম্মোয় শেংনা ঈশ্বরগী মফমদা পুন্সি নুংশাংবা, অনা অয়েক য়াওদবা ওইহনবীয়ু হায়না নীজরি অমদি পাউচেগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **Haobam Ajit Singh**
Pishum Chingamathak Near Hao-Ground
Imphal -795001, Manipur

HL-P/1062/23

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
**IMPHAL WEST (CENTRAL)**

*Ref:- Mut. Case No. 490/SDC/IW(C) 5/04/2018*

Koijam Biko Singh S/o Koijam Ibemnungshi Devi of Singjamei Makha Mayengbam Leikai.

........ *Petitioner*

-Vs-

Akoijam Ibemnungshi Devi D/o Ibomcha Singh of Singjamei Makha Waikhom/Mayengbam Leikai.

.......*O.P. Party*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE**

Imphal, The 21/04/2018

Under the Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃপাট্টাদার Akoijam Ibemnungshi Devi পীং Ibomcha Singh সাং Singjamei Makha Wikhom/Mayengbam Leikai গী মীংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 48-Singjamei গী অনৌবা পট্টা নং 139/ 1269 অরিবা পট্টা নং 40/4 দাগ নং 4179/4480 অমসুং এরিয়ানা 0.0326 (হেক্তর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

HL-P/1100/23

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 416/SDC/IW-L/2018*

1. Konthoujam Mangi Singh S/o (L) Thambou Singh of Haorang Sabal.
2. –Do– Saratchandra Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
3. –Do– Bijoy Singh S/o (L) –Do– of –Do–.
4. –Do– Girani Singh S/o (L) –Do– of –Do–.

*-Petitioners*

-Vs-

Late Konthoujam Thambou Singh S/o (L) Tomba Singh of Haorang Sabal.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE**

The 21/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার কোন্থৌজম থম্বৌ সিংহ, পীং মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং হাওরং শাবলগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং শাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ৭৭, দাগ নং ১১৬৬ অমসুং এরিয়ানা মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৪৬ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/1101/23

**OFFICE OF THE**
**KHURKHUL GRAM PANCHAYAT**
**IMPHAL WEST (1) C.D. BLOCK, HAORANG SABAL,**
**IMPHAL WEST-795002**

**Ref. No.01/KGP/GSM/IW-I/CD/2018** **Dt. 16/04/2018**

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/ NOTICE**

**Dated the 16th April, 2018**

অসিনা মরম ওইদুনা Khurkhul Gram Panchayat না কোনবা মফমদা লৈরিবা ইকাইখুম্নজরবা/খুম্নজরিবী প্রজা খ্বাই পুম্নমক্তা Order No. 6/2-33/ 88(RD/PR) RGPSA-2015 অসিনা খঙহঞ্জরি মদুদি হয়েং তাং ২৪/০৪/ ২০১৮ ইং, লৈপাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ০২:০০ তাবা মতমদা Khurkhul Mayai Leikai Community Hall দা National Panchayat Day (Jatigi Thakta Pangthokpa Panchayat Numit, 2018) গা মরী লৈননা Gram Sabha গী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকচগনি। মীফম অসি লৈবাক্কী য়াম্না মরুওইবা নুমিৎনি, ইশাগী খুঙ্গং ইশানা লৈঙাকচনবগী (Local Self Government) ভারত সংবিধান্না পীবা 73rd Constitution Amendment বু নীংশিংবা ওইনা পাঙথোকচবনি। মরম অদুনা প্রজাশিংনা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা গ্রাম সভা অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু হায়না নোল্লুকচরি।

*খন্নগদবা হীরমশিং ঃ* 1. Gram Panchayat Development Plan (GPDP) formation.
2. Mobilisation of Own Source Revenue (OSR).
3. Identifying and honouring the persons who have done exemplary works, or have contributed significantly to the well being of the Panchayat.
4. অমসুং অতৈ-অতৈ পঞ্চায়টকা মরী লৈনবশিং।

*পাউজেঞ্জরিবী ঃ* **Khwairakpam Jayarani Devi**
*Panchayat Secretary,* Khurkhul G.P.

HL-P/5059/23

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 415/SDC/IW-L/2018*

1. Angom Tombi Devi D/o (L) Kunda Singh of Phayeng Mayai Leikai.
2. –Do– Ibeton Devi D/o (L) –Do– of –Do–.
3. –Do– Shakhi Devi D/o (L) –Do– of –Do–.
4. –Do– Jaromoni Devi D/o (L) –Do– of –Do–.

*-Petitioners*

-Vs-

Late Co-Pattadar No. 1 Angom Kunda Singh S/o (L) Haojou Singh of Phayeng.

*-O.P. Party*

**ꯈꯪꯖꯤꯟꯅꯕ/NOTICE**

The 21/04/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার (কো-১) অঙোম কুন্দ সিংহ, পীং মৃত হাওজৌ সিংহ, সাং ফয়েংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ ৫৯-খরাং কোইরেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৫, দাগ নং ৪৫গী এরিয়া ২.৮৩০০০ চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী মনুংদগী মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ২.১৩ অসি দংকারি নং ১, ২ অমসুং ৩ না ০.৭২ খা নোংচুপ্তা অমসুং দংকারি নং ৪ না ১.৪১ নোংপোক থংবদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/1101/23

## Shirui Lily Festival 2018
## CULTURAL PROGRAMME

*(arranged by Cultural Sub Committee)*
at TNL Ground, Ukhrul from 24-28 April 2018

**Tuesday, 24th April 2018, 3.00 p.m**
- Tallu - Tingteila Kakhong : Guru Rawung OPENING (Trumpet & Tangkhul Musical Instrument)
- Hingminnasi Eikhoi
- Dance group from Ukhrul
- Dance group from Madhya Pradesh
- Dance by Khuringmul youth Dance Troupe
- Dance by Rengkai HYA Cultural Troupe
- ShiChef Season 1.0
- Light Manipuri Music

**Wednesday, 25th April 2018 3.00 p.m**
- Dance group from Ukhrul
- Thang Ta by Manipur University of Culture
- Dance group from Madhya Pradesh
- Bihu Dance by artistes from Assam
- Dance by Lamhil Kuki Culture Research Centre
- Gurkha Cultural Dance
- ShiChef Season 1.0
- Aton Ashang Play
- Light Music by the local singers and musicians

**Thursday, 26th April 2018 3.00 p.m**
- Dance group from Ukhrul
- Maibi & Thougal Jagoi by Government Dance College
- Jhumur Dance by the artistes from Assam
- Dance by Phaibung Cultural Troupe
- Shumang Leela by State Shumang Leela Council
- ShiChef Season 1.0
- Folk Song Competition
- Light Music by the local singers and musicians

**Friday, 27th April 2018 3.00 p.m**
- Dance group from Ukhrul
- Qawwali – Rahim & Group
- Dance group from Nagaland
- Dance by The Maring Dance Sandang Shenba Maring
- Dance by Tribal Music Dance and Craft Research Centre
- Dance group from Tripura
- ShiChef Season 1.0
- Folk Dance Competition
- Light Music by the local singers and musicians
- North East Shirui Lily Cultural Fashion Show - presented by Tribal Youth Development Foundation Sponsored by Department of Handloom and Handicraft, Govt of Manipur

**Saturday, 28th April 2018 2.30 p.m**
- Formal Closing Function
- Traditional Song : Thotreisho Keishing
- Pung & Dhol Cholom with conch by Jawaharlal Nehru Manipur Dance Academy
- Dance group from Ukhrul
- Dance group from Tripura
- Dance group from Nagaland
- ShiChef Season 1.0 - Final
- Hingminnasi Eikhoi (Closing Song)

*Sd/-*
**Chairman**
**Cultural Sub-Committee,**
Shirui Lily Festival-2018

HL-P/1104/23